# সিরিয়াদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা কেমিকেল এটেক চথখিবগী মতাংদা ট্রম্পনা অকনবা থবক লৌখৎকদৌরি



ৱশিংটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
সিরিয়াদা কেমিকেল ৱেপনস শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরি লীদর অমসুং নেসনল সিক্যুরিতি এদভাইজরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ট্রম্পনা হায়খি, কেমিকেল এটেক্কী মতিক চাবা পাউখুম পীনবা অথুবা মতমদা ৱারেপ লৌরগনি। সিরিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়ামরুম লৈ । অদুবু সিরিয়া য়াওনা মালেমগী মফম অমত্তদা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নদুনা কয়া হেনবা থৌওং চথবা য়ারোই। য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক কয়াগা খুৎশম্নরগা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি।

পুং ২৪ গী মনুংদা ট্রম্পনা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ত ইমান্যুয়ল মেক্রোনগা টিলিফোনদা অনীরক ৱারী শান্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংগা মরী লৈননা খৎন-নৈনখ্রে হায়না হ্বাইট হাওসনা ফোঙদোকখি।

রেবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা সিরিয়াগী দোমাদা কেমিকেল এটেক চথবদা মীওই কয়ামরুম শিবা লৈখ্রবনি। মেদিকেল অমসুং রেসক্যু ৱার্করশিংনা দমাস্কসকী নোংপোক-থংবদা লৈবা দোমাদা এটেক চথরকখিবগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ত বাসর অল অসদকী লৈঙাকপু মরাল শীখিবনি । খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেল শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবগী মতাংদা মপাল লৈবাক কয়ানসু নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখি। বৃটিশ ফোরেন ওফিসনা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা তকশিল্লদুনা হায়খিবনি মদুদি করিগুম্বা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখি হায়বা ৱাফম অসিনা চুম্লম্বা তারবদি অসদকী লৈঙাক্লা কা হেনবা থৌওং চথরে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম ওইনা লৌফম থোকই।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীওই ৪২ ময়ুম ময়ুমদা শিরগা লৈরম্বা থেংনখি। কেমিকেল ৱেপনগী চৈথেং ফংলবা মীওই কয়া অৱাবা খাঙলম্বসু থেংনখি। ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনদি সিরিয়াদা গভর্নমেন্তনা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগী ৱাফম অরানবনি হায়না শেংদোকখি ।

দোমা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা রেবেল গ্রুপনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা সিরিয়ন গভর্নমেন্তপু লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়নসু ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি । রেবেলনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা দোমাদা নোংথক্তগী বোম থাদবদা মীওই ১,৬০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লীশিং কয়ামরুম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি । ওইরল্লিবা ফীভম অসিদা সিরিয়ান গভর্নমেন্তনা রেবেল গ্রুপ জাইস অল-ইস্লামগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

সেন্ট্রেল সিরিয়াদা লৈবা এয়র বেজ অমদা মিশাইল কাপশিল্লকপদা ইরানিয়ন য়াওনা মীওই ১৮ শিরে হায়না ৱার মোর্নিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখি । এস এ এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা মিশাইল অদু অমেরিকানা কাপশিল্লকপনি হায়না ফোঙদো-কখ্রবসু য়ু এস ওফিসলশিংনদি সিরিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিশাইল কাপশিনখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। হন্দক্তা ইজরেলনসু সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথবা লৈখ্রে অদুবু ইকোন কোনবা ওইনা মিশাইল কাপশিল্লকখিবগী মতাংদা ইজরেলি মিলিটরিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি ।

সিরিয়ন ওবর্জবেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, মিশাইল কাপ-শিল্লকপদা ইরানিয়ন য়াওনা মীওই ১৪ শিরে । লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা ইরানিয়ন নৎত্রগা ইরাননা শৌগৎপা গ্রুপশিংগী মেম্বর ঙাক্তনি হায়না ওবজর্বেটরি গ্রুপকী মকোক রামি অবদুরহমননা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনানা সিরিয়াদা মিশাইল কাপশিল্লকখিবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি । লেবানগী অল-মনার টিভিকী রিপোর্টনা হায়খি, সিরিয়াদা কাপশিল্লকখিবা মিশাইল অদু ইজরেলগী শোইদনা ওইরম্বা য়াই।

মমাঙদা য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পনা সিরিয়াদা কেমিকেল এটেক চথবদা চেন্নবা মীওই পুম্নমক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি অমসুং অমুক হন্না এটেক চথবা ঙমহন্দনবা হোৎনগনি হায়না লাউথোকখিবনি ।

# এফ বি আইনা ট্রম্পকী পসর্নেল লোয়রগী ময়ুমদা থি-হুম্বা চথখ্রে

ৱশিংটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পকী পর্সানল লোয়র মাইকেল কোহেনগী ময়ুম অমসুং ওফিসতা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) না থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ট্রম্পকা নক্নবা মীওই কয়াগী মথক্তা মথং মথং ইনভেষ্টিগেসন চথখ্রবা মতুংদা মাইকেল কোহেনগী ময়ুম অমসুং ওফিসতা থিবা-হুম্বা চথখিবনি।

কোহেনগী উকিল ষ্টিফেন র‌্যাননা হায়খি, স্পেসল কাওন্সেল রোবর্ট মুল্লরগী য়াথং মতুং ইন্না মাইকেল কোহেনগী ময়ুম অমসুং ওফিসতা প্রোসিক্যুটরশিংনা থিবা-হুম্বগী থবক চথখিবনি।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ত খনবগী মীখলদা ট্রম্পকী কাঙবুনা রসিয়াগা খুৎশম্নখিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। ট্রম্প মশানদি মীখল কেম্পেন চথবদা রসিয়াগা খুৎশম্নখিবা লৈতে হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোকখি।

মাইকেল কোহেনগী ময়ুম অমসুং ওফিসতা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবা থৌওং অদুনা ট্রম্পকী মফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পীগদৌরি।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ত খনবগী মীখল মমাংদা মাইকেলনা ষ্টোর্মি দানিয়ল কৌবী পোর্ন ষ্টার অমদা দোল্লর ১৩০,০০০ পীখি হায়বা ৱাফম অমা লৈবনা মীখলগী কেম্পেন্দা অরানবা থৌওং চথখিব্রা হায়বা ৱাফম অমা লাকখিবনি।

স্পেশল কাওন্সেলনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন হকথেংননা য়েংশিল্লিবা দেপ্যুটি এতোর্নি জেনরেল রোদসেনষ্টিন শীজিন্নরগা মুল্লরগী মথক্তা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লব্রা হায়না রিপোর্ট অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখি ।

করিগুম্বা দোনাল্ড ট্রম্পনা স্পেশল কাওন্সেল মুল্লর মফম লৌথোক্লবা এফ বি আইবু থিবা হুম্বগী থবক চথহনখিবা ওইরম্লবদি চপ চান্না অথিংবা পীনবা হোৎনগনি হায়না সিনেট দিমোক্রেটিক লীদর চক স্কুমরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ন্যু য়োর্ককী এতোর্নিগী ওফিসনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথহনখিবগা লোয়ননা মাইকেল কোহেন অমসুং ট্রম্পকী মরক্তা শানখিবা ৱারী পুম্নমক খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। কোহেননা বেঙ্ক অমদি টেক্সকা মরী লৈনবা থবক্তা অরানবা থৌওং চথখিব্রা অমসুং মীখলগী লো ঙাকখিদব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা ফেদরেল ইনভেষ্টিগে-ষ্টরশিংনা থিজিনখিবনি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী সেপ্তেম্বরদা বিক্তর পিনচুক কৌবা য়ুক্রেনিয়ন বিলিয়ন্যের অমনা ট্রম্পকী চেরিটেবল ফাওন্দেসনদা দোল্লর ১৫০,০০০ পীখিবগী মতাংদা মুল্লরনা থিগৎপা হোৎনরি।



# নর্ব এজেন্ট এটেক চথখিবা জুলিয়া স্ক্রিপাল ফীভম খরা ফগৎলকপদগী হোস্পিটালনা দিসচার্জ তৌখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
জুলিয়া স্ক্রিপাল ফীভম খরা ফগৎলকপদগী খা থংবা ইংলেন্দদা লৈবা হোস্পিটাল অমদগী দিসচার্জ তৌখ্রে ।

চয়োল মঙাগী মমাঙদা জুলিয়া অমদি হান্না রসিয়ন স্পাই ওইরম্বা মহাক্কী অপোকপা সর্গি স্ক্রিপালদা নর্ব এজেন্ট এটেক চথখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা রসিয়া অমসুং নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবা থোরকখি। বৃটেননা হীরম অসিগী মতাংদা মোস্কোবু মরাল শীবা লৈখ্রবসু ক্রেমলিননদি থৌদোক অসিদা মখোয়গী খুৎ য়াওদে হায়না ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক মখা তানা য়েৎনরকখিবগা লোয়ননা রসিয়া অমসুং নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরক্তা অমনা অমদা মরাল শীননবা লেপত্রি।



মার্চ ৪ দা চথখিবা নর্ব এজেন্ট এটেক্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা নোবিচোক কৌবা নর্ব এজেন্ট অমা শীজিন্নখি হায়না বৃটেননা মরাল শীখি। হায়রিবা নর্ব এজেন্ট অদু সোভিয়েট য়ুনিয়নগী লেবোরেটরিদা শেমখিবনি হায়রি। জুলিয়াবু হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রবসু মখা তানা লায়েংগদবা ৱাৎলি হায়না সেলিসবরি দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালগী মিদিকেল দিরেক্তর দা: খৃষ্টিন ব্লেনশার্দনা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল থাদোকখ্রবা স্ক্রিপাল মতুং তারকপদা কদায়দা লৈগদগে হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি ।

সেলিসবরিদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম ইনভেষ্টিগেটরশিংনা সিল তৌশিনখ্রবনি। ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌগৎ-লকপদা মহাক্কী ময়ুমদা চৎলুবা দিটেক্টিব সর্জন্ট নিক বেলিসু নর্ব এজেন্টকী চৈথেং ফংদুনা মশা ঙমলকখিদে। দিটেক্তিব অসিসু মতম খরা লায়েংলম্লবা মতুংদা হোস্পি-টালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

লন্দনদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিনা জুলিয়া স্ক্রিপাল ফীভম ফগৎলকপগী মতাংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী ৱারোল অমা থাদোরকখি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা দিপ্লেমেটশিং তান্থোক তানশিন তৌনবগী থৌওং চথনখিবনি। বৃটেননা হীরম অসিগী মতাংদা রসিয়াশিংগী মথক্তা থিজিন হুমজিননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# চাইনা : য়ু এসকা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরকপা পাম্মী

বৈজিং, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগা লল্লোন ইতিক য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা চাইনিজ প্রসিদেন্ত জি জিনপিংনা হায়খ্রে মদুদি ৱারী শানদুনা লৈবাক অনীকী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা পাম্মী।

ললোন ইতিক্কী মতাংদা লৈবাক অনী য়েৎনখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙখিবদা জি জিনপিংনা হায়খি, কোল্ড ৱার মতমগী মতৌগুম অমনা অমগী মথক্তা অথিংবা থম্নবগী মহুত্তা ৱারী শানরগা ইং তপ্পা মওংদা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনফম থোকই।

চাইনানা মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্কা ললোন ইতিক তৌমিন্নবা পাম্মী হায়না মহাক্লা হায়খি, চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা মপাল লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা কারশিংদা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোক্লগনি। ইন্টলেকচ্যুয়ল প্রোপর্টি রাইটস হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।



লৈবাক মশেল অমনা অমবু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্তা কান্নগদবা মওংদা থবক তৌবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

খা থংবা চাইনাগী হাইনান প্রোভিন্সতা পাঙথোকখিবা বাও ফোরম ফোর এসিয়াদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্লা হায়খি, কনাগুম্বনা অথিংবা পীনবা হোৎনরক্লবসু চাইনানা মালেমদা হীরম খুদিংমক্তা মাঙজিন থাবা ঙম্লগনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম অমদি কম্পনিশিংগী মথক্তা অহেনবা তারিফ থম্বগী ৱাফম ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা লাউথোকখ্রবা মতুংদা জি জিনপিংগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। চাইনাগী পোৎলম খুদিংমক্তা অহেনবা তারিফ ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৫০ গী টেক্স লৌরগনি হায়না ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা লাউথোকখিবনি।

**MEEYO COACHING CENTRE**

*Sega Road Konjeng Hazari Leikai-795001*
*Opposite The Sangai Express*

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN

Foundation Course for Class
X (BOSEM) & XII-SC (COHSEM)
Class Commencing from 2nd May, 2018

*Special Features :*
- Parenting
- Students' Counselling
- Foreign Language (Chinese etc)
- Meitei Mayek (Foundation)
- Moct Text
- Previous questions analysis
- Hostel Facilities

Course duration : 6 months
Timing : 4:30 to 7:30 a.m. (Morning Shift)
: 4:30 to 7:30 a.m. (Evening Shift)

Hurry Up Limited Seats!

HL-P/989/11
*Under Guidance of Well-experiences teachers*
*For more details pliz contact : 7005800336 / 9615950605*

OFFICE OF THE
SCHOOL MANAGEMENT COMMITTEE
MEGA MANIPUR SCHOOL
1ST FLOOR HNDSOME HOUSE, PAONA B AZAR, IMPHAL

**NOTIFICATION**
Imphal, the 9th April, 2018

No. 5-2/2018/Appt/SMC/936: Applications are invited from the intending candidates for the following regular posts. Interested candidates may submit their application in his /her own handwriting and bio-data with a processing fee of Rs. 200/- (Rupees two hundred) along with a latest passport size photograph and attested certificates from matriculate onwards to the undersigned during office hours at Mega Manipur Society Office, 1st Floor, Impact TV building, Keishampat.

| Sl. No. | Name of Post | Subject | No. of Post | Remuneration | Educational Qualification |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PRT | Maths | 1 | 9300-34800 + 4200 GP + EPF | 1. Graduate in / with mathematics. 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 2 | TGT | Maths | 1 | 9300-34800 + 4600 GP + EPF | 1. Graduate / post graduate in mathematics. 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 3 | TGT | Social Science | 1 | -do- | 1. Graduate / post graduate in History, Political Science, Economics, Sociology, Geography 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 4 | TGT | Physical Education | 1 | -do- | 1. B.P.Ed. / M.P.Ed. 2. A recognized Degree/Diploma in Education. |
| 5 | TGT | Computer Teacher (FIT) | 1 | -do- | 1. B.Sc or M.Sc in information technology/BCA/MCA/A-Level DOEACC 2. B.Ed. with teaching experience. |
| 6 | Counsellor | Counsellor | 1 | -do- | 1. Post Graduate in Child Development from a recognized university. Or 2. Graduate/Post Graduate in Psychology from a recognized university. |

Last date of submission of application: Thursday the 19th April, 2018.
Date of Interview: Sunday the 22nd April, 2018.
Date of Class teaching test (Selected in interview) : Tuesday the 24thApril, 2018.
Reporting time: 8:30 a.m.
Venue of interview : Mega Manipur School, Yaralpat Tinseed Road, Imphal East.
Note:- Candidates should bring all necessary documents in original for appearing interview.

Sd/- **Manager, SMC**
Mega Manipur School

HL-P/980/11

**NOTIFICATION REGARDING CONDUCT OF JNVST-2018**
**ADMISSION TO CLASS VI (2018-19)**
**ON 21ST APRIL 2018**

কুমজা ২০১৮-১৯ সেসনগী ক্লাস সিক্সতা মীং চন্নবগী চাংয়েং পরিক্ষা (জে এন ভি এস টি ২০১৮) লাক্লিবা এপ্রিলগী তাং ২১, ২০১৮দা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শাবা লোইজরে। হায়রিবা চাংয়েং অসিগীদমক ওনলাইন্দা রেজিষ্টর তৌখিবশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কম্মন সার্ভিস সেন্তর নৎত্রগা প্রিন্সিপালগী ওফিসতগী এদমিট কার্দ লৌবিরবা য়াগনি। অদুগা পরিক্ষা অসিগীদমক ওনলাইন্দা ওইনা প্রিন্সিপাল ওফিসতা পীশিনবশিংনা এদমিট কার্দ অদু এন ভি এসকী ৱেবসাইট, জে এন ভি খুম্বোংগী ওফিস নৎত্রগা খ্বাইদগী নকপা কম্মন সার্ভিস সেন্তরদগী লৌথবিবা য়াগনি।

অশোয় অঙাম য়াওবা থেংনবিরদি ওনলাইন্দা পীশিনখিবা কোপি অমা অমসুং রেজিষ্টর তৌবা মতমদা পীরকপা এপ্লিকেসনগী কোপি অমগা লোয়ননা পাউ ফাওবিয়ু অমদি ফোন নম্বর ৭৬২৮৯০২৫২৬তা কন্টেক তৌবীয়ু।

নমথোক্লবা এদমিট কার্দতা অশোয়বা থেংনবিরবদি লাক্লিবা এপ্রিলগী তাং ২০ ফাওবদা শেমদোক্লবা জে এন ভি খুম্বোংগী ফোন নম্বর ৯৪০২০৫১৩৪০/৮৯৭৪৩৭৮৫৪৭ সিদা পাউ ফাওবিয়ু।

HL-P/3270/11
**Sd/- Principal, JNV Khumbong**

Hurry up
**"T.T.C. BOY'S HOSTEL"**
SANGAIPROU MANING LEIKAI
FCI, Godown Road.
Near ISKCON, Imphal West

**"ADMISSION OPEN"**
**SEATS ARE LIMITED**
**FOR BOYS CLASS IX TO XII**

*Facilities :*
(i) Fooding & Lodging.
(ii) Special Coaching for classes IX, X, XI & XII by well expirienced Teachers of Physics, Chemistry, Mathematics,English, Biology, Etc.
(iii) Coaching classes include girls.

For more detail pliz contact :
9089671089, 9436270438, 9612019105

HL-P/985/11,12,13,14,16

**/ওনরেবল এম পি ডা. টি মৈন্যবু কে ৱাই পি সীনা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**

হৌখিবা তাং ২৫/৩/২০১৮ নোংমাইজিং নুমিৎতা Thokchom Maimu Memorial Trust অমসুং Kyamgei Youth Pioneer Club (KYPC) অনীনা শিঞ্জদুনা Kyamgei Heibongmakhong লম্পাক্তা 8TH STATE LEVEL MUKNA CHAMPIONSHIP 2018 অমসুং কে ৱাই পি সী কম্ম্যুনিতি হোল শঙগাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ওনরেবল এম পি ডা. টি মৈন্যনা অমুক মখা তানা কে ৱাই পি সীগী ষ্টেজ কম লাইব্রেরিগী শঙলেন অমা শানবা লুপা ১,৫০,০০০ পাংবীরম্ববু কে ৱাই পি সীগী মায়কৈদগী হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ফিল্ড শেমগৎপা, ফেন্সিং খাজিনবা, দ্রেন তৌবা, গেল্লরি শাবা অফবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমদা কে ৱাই পি সীনা অয়েৎপা অথিংবা পীবগী ৱাফম লৈজদে, তৌবতবু ক্লব হায়বসিদি মীয়ামগীনিনা অশেংবা অচুম্বা, লোয়ননা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি খঙদ্রিবা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা তরাই-তরাইনা অয়াবা পীবা হায়বসিমদি অরুবা ওইজবনা, হৌখিবা তাং ৬/৪/২০১৮ ইংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল যাত্রা হুনবগী থৌরমদা ওনরেবল এম এল এ কৈরাও এ সীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুমক্তি লাইবক থীবনি।

**Sd/- Akhongbam Boby**
General Secy. KYPC

HL-P/987/11

# পেলেষ্টিনিয়ন ৮ জেরুসলেমদগী ফাখ্রে

জেরুসলেম, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইজরেলি লান্মীশিংনা হান্নগী পোলিটিকেল প্রিজনর অমা য়াওনা পেলেষ্টিনিয়ন নিপাল জেরুসলেমদগী ফাখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, গাড়ী তোংদুনা লাকখিবা ইজরেলি লান্মীশিংনা জেরুসলেমগী অল-ইসাৱিয়া তাওনগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চথরবা মতুংদা মীওই নিপাল ফাখিবনি।

জেরুসলেমগী খা নোংপোক্তা লৈবা সুর বাহের টাওনদগী মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবা হান্নগী পোলিটিকেল প্রিজনর অমসু ইজরেলি লান্মীশিংনা ফাদুনা পুখিরম্মী । টাওন অদুগী তোঙান তোঙানবা য়ুম কয়ামরুমসু ইজরেলি লান্মীশিংনা অমাঙ অতা থোকহল্লমখি । হিজমা কৌবা টাওন অদু আর্মিনা হৌখিবা চয়োল ১০ রোম লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থল্লকখিবনি ।

অমরোমদা ইজরেলি মিলিটরিগী স্নাইপর অমনা খুৎলায় পায়জদবা পেলেষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী ভিদিও ফুত্তেজ থাদোরকখ্রবা মতুংদা পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম ইরাং হৌরকখ্রে। কোল্ড ব্লদতা খুৎলায় পায়জদবা পেলেষ্টিনিয়ন মীচম অমা হাৎলবা মতুংদা ইজরেলি লান্মীশিং হরাওবা ফোঙদোকপগী শক্তমসু ভিদিও ফুত্তেজদা উৎলকখি।

ইজরেলি দিফেন্স ফোর্স (আই দি এফ) না থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ত অমনা হায়খি মদুদি ভিদিওদা উৎলকখিবা থৌদোক অদু মমাঙ চহীদা গাজা ষ্ট্রিপকী মফম অমদা থোকখিবা ওইরমগনি। ইজরেলি পোলিটিসিয়নশিং য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

# চাইনাগী ষ্টিল বোম্মর উৎলকখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):
চাইনানা অনৌবা মতমগা চুনরবা ন্যুক্লিয়রগী মতিক ময়াই লৈবা ষ্ট্রিল্থ বোম্মর শেমগৎখিবগা লোয়ননা এভিএসন নোলেজ মেগজিনগী মে থাগী চেফোংদা ময়েক শেংনা উৎলকখ্রে।

মেগজিনগী মখুম লামায়দা উৎলকখিবা জে ঐচ-এক্স এক্স না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুরগা য়েক্লবগী মায়োক্তা লান্দাবদা খুদোংচাবা কয়ামরুম লৈগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি ।

ইন্টরনেল ফ্যুয়ল টেঙ্ক অমসুং ৱেপন্স ষ্টোরেজ য়াওবা ফাইটর এয়ারক্রাফ্ট অসি খোঙজেল য়াঙনা পাইবা ঙম্বগা লোয়ননা ইপা পাবা মরম্না রাদরনা দিটেক্ত তৌবদা ৱানা থোকই হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা রাদর অমত্তনা এয়ারক্রাফট অসি দিটেক্ত তৌবা ঙম্বগী ফীভম লৈতে । অথুবা মতমদা চাইনানা জিয়ান ঐচ ৬ বোম্মরগী মহুৎতা জে ঐচ-এক্স এক্স ওইনা শীজিন্ননবা থৌরাং তৌরি ।

**MANIPUR INDUSTRIES UNION**
**IMPHAL**
**/য়োৎকী ৱার্কশোপশিংদা খঙহঞ্জবা**
9th April, 2018

লাক্লিবা এপ্রিলগী তাং ২২, ২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব মেজর খুল, ইম্ফালদা য়োৎকী ৱার্কশোপ তৌরিবা (অলমিরা অমদি থোঙ-থোঙনাওনচিংবা য়োৎকা মরী লৈনবা) ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবশিংগী মতাংদা অমদি ৱার্কশোপ খুদিংমক্কী ওইবা মান্নবা পোৎথোকশিংগী মান্নবা রেট থম্বা য়াবরা হায়বনচিংবসু খন্নগনি। মীফমসিদা প্রোপাইটরশিংনা অমদি মরী লৈনবশিংনা শরুক য়াবীরনবা হায়জরি।

**অসেম সঞ্জয় সিংহ**
জেনরেল সেক্রেটরি
মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ য়ুনিয়ন, ইম্ফাল
**# 9856437015/8974009753**

HL-P/974/10,11